রিক্রুটমেন্ট ৱাথোক্তা ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্টরেটনা মরু ওইবা এক্স্যুইজশিংগী লন-থুমগী অকূপ্পশিং কৌখ্রে

গুৱাহাটি, ওক্তোবর ০৩(এজেন্সী): ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্টরেট (ই দি) না হান্নগী দি আই জি বি কে দত্তা অমসুং অসামগী বি জি পি লুচিংবা দিবান দেকাগী এসেটশিংগী অকূপ্পা লিষ্ট লৌনবা হোৎনখ্রে।

দত্তা অমসুং দেকা অনীমক অসাম পুলিস এস আই রিক্রুটমেন্ট ৱাথোক্কী মরু ওইবা এক্স্যুইজ অনীনি। বি জে পিগী লুচিংবা দেকা য়ূমশকৈশগী অহিংদা পুলিসনা পটাটারকুচিদগী ফাখি। থবক্তগী পোত্থারবা মকোক থোংবা পুলিস ওফিসর দত্তদি হৌজিক ফাওবা পুলিসনা থিবা ফংদ্রি।

রিপোর্ট খরনা হায়, ই দিনা পীরকখিবা লেট্টরগী মতুংইন্না ক্রিমিনেল ইনভেষ্টিগেসন দিপার্টমেন্ট (সী আই দি) না দত্তা অমসুং দেকা অনীমক্কী মুভেবল অমসুং ইমমুভেবল প্রোপর্টিশিংগী লিষ্ট অমা শীন্নখ্রে। পনবা য়াবদি অসাম পুলিসকী সী আই দিনা রিক্রুটমেন্ট ৱাথোক অদুগী মতাংদা থিজিন্দুনা লাক্লিবনি।

হোম দিপার্টমেন্টকী সোর্সশিংনা ফোঙদোকখিবদা ই দিনা থারকপা লেট্টর অমা ফংবগা ক্রিমিনেল ইনভেষ্টিগেসন দিপার্টমেন্টনা দত্তা অমসুং দেকাগী মুভেভল অমসুং ইমমুভেভল প্রোপর্টিশিংগী লিষ্ট অমা শীন্নখিবনি। টেক্স কন্সলটেন্টশিং অমসুং একাউন্টেন্টশিংগী টিম অমনা লিষ্ট অদুদা য়ূম্ফম ওইরগা থবক তৌরগনি হায়না অসাম ত্রিব্যুনগী রিপোর্টনা মশক মমিং ফোঙদোক্তবা সোর্সশিং পল্লদুনা হায়খি।

ই দিগী সোর্সশিংনা হায়খি মদুদি য়াম্না মুন্না য়েংশিল্লবা মতুংদা প্রোপর্টিশিং ফাজিনবগুম্বা খোঙথাংশিং খন্নগনি। হৌজিকমক্কী লৈরিবা ফীভম অসিদদি চপ চাবা কম্মেন্ট পীবা মতম খরা ঙনমল্লি। শগোলশেল নুমিত্তা নুমিৎ ৫নি পুলিস কষ্টদি রিমান্দ তৌখিবা দেকা স্পেসল ব্রাঞ্চকী হেদ ক্বার্টরসতা পুলিসনা ৱাহং পাউহং চথখরি। পুলিসনা দেকা অমসুং দত্তা ফানবগী পাউ পীবদা লুপা লাখ ১/১গী শেলগী মনা পীগনি হায়না লাউথোকপা লৈখ্রবনি।

হান্নগী দি আই জি দত্তা হৌজিক ইন্দিয়া/নেপাল বোর্দরগা নক্নবা মফম অমদা লোৎতুনা লৈরম্বা য়াই হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

'গভর্ণমেন্টকী স্কিমশিং মতিক চাবা বেনিফিসরিশিংদা য়ৌহন্নবা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাং খুদিংমক লৌখৎলি'

Plant a tree, plant a hope for future

ইটানগর, ওক্তোবর ০৩(এজেন্সী): অরুনাচল প্রদেশকী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর চাওনামেন্না হায়খ্রে মদুদি গভর্ণমেন্ট স্কিমশিংগী কান্নবশিং সোসাইটিগী ফংফম থোকপা মতিক চাবা মীওইশিংদা শোয়দনা য়ৌহন্নবা গভর্ণমেন্টনা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাং খুদিংমক লৌখৎলি। নহা ওইরিবা থবক্তা চোকথবা নাইদ্রবা চীফ মিনিষ্টর পেমা খন্দুগী মখাদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা হৌখিবা চহী মঙা অসি অরুনাচল প্রদেশপু হীরম খুদিংমক্তা চাওখৎহন্নবা হোৎনবদা মীৎয়েং থমদুনা লাক্লি হায়না মেননা ফোঙদোকখি।

দেপ্যুটি সী এমনা ৱাফম অসি ইটানগরদা হমারা অরুনাচল অভিয়ান (ঐচ এ এ) গী অহানবা এনিভর্সরি সেলেব্রেসনগা মরী লৈননা পাঙথোকপা ফঙ্কসন অমদা ফোঙদোকখিবনি।

সোসাইটিগী সেক্সন খুদিংমক চাওখৎ থৌরাংশিংগী কান্নবা ফংহন্নবা অমদি গভর্ণমেন্টনা লৌখৎলিবা চাওখৎ খোঙথাংশিংদা মখোয়বুসু শরুক য়াহন্নবা মখল মখা কয়াগী ৱেলফ্যের স্কিমশিং হৌদোক্লে হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টরনা হোম মিনিষ্টর ফেলিক্স অমসুং হমারা অরুনাচল অভিয়ানগী টিমবু অসিগুম্বা চাওখৎ থৌরাংশিং হৌদোকপীরকগীদমক্তা থাগৎপা ফোঙদোকখি। লোয়ননা মহাক্না নহা ওইরিবা ভোলুন্টিয়রশিংবু কেম্প্যেন অদুগী শরুক অমা ওইনা চোঙথোরকপগীদমক্তসু থাগৎখি।

পব্লিক-পুলিস পর্টনরসিপ চাওখৎহন্দুনা মীয়ামগী ৱাখল্লোন্দা অহোংবা অমা পুরক্নবা হোৎনরিবা কেম্প্যেন অদু শিংথানীংঙাই ওই হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

অসাম মোটোর ট্রান্সপোর্ট এসোসিএসন্না মতম কক্তবা চাকা বন্দ কৌখ্রে

গুৱাহাটি, ওক্টোবর ০৩ (এজেন্সী): ওল অসাম মোটোর ট্রান্সপোর্ট এসোসিএসন (এ এ এম টি এ) না বসকী ভারা হেনগৎনবা দিমান্দ তৌরদুনা নোংমাইজিং নুমিত্তগী মতম কক্তনা চাকা বন্দ কৌখ্রে।

এ এ এম টি এনা ইরাই নুমিৎতা ফোঙদোরকখিবদা কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক অমদি মসিবু লাকশিন্নবগীদমক্তা থল্লকখিবা নেসনল লোকদাউননা মরম ওইরগা মায়োক্নরক্লিবা ক্রাইসিস অদু য়েংদুনা মখোয়না তঙাইফদনা খোঙথাং অসি লৌখৎনবা ৱারেপ লৌখিবনি।

মোটোর ট্রান্সপোর্ট বোদি অসিনা মখা তানা হায়খি মদুদি গভর্ণমেন্টনা তোঙান তোঙানবা তঙাইফদবা পোৎলমশিং অমদি পেট্রোল অমসুং দিজলগী মমলশিং হেনগৎখ্রে। তৌইগুম্বসুং এসোসিএসন অসিনা বসকী ভারা হেনগৎপীনবা হঞ্জিন হঞ্জিন দিমান্দ তৌবদদি হৌজিক ফাওবা তাবীদনা লৈরি। থাওগী মমলনা লেপ্পা লৈতনা হেনগৎলে অদুগা অমরোমদা গভর্ণমেন্টনা পেসেঞ্জর চাদা ৫০দমক পুনবগী ওর্দরসু থোক্লে। ঐখোয়বু পেসেঞ্জর চাদা ১০০ পুবা য়াহনগদবনি নৎত্রগনা গাড়ী ভারাশিং হেনগৎহনগদবনি হায়না এসোসিএসনগী মেম্বর অমনা ফোঙদোকখি।

মীদিয়া রিপোর্ট খরগী মতুংইন্না বসশিং, ত্রেকরশিং, ঈ-রিক্সোশিং অসিনচিংবনা পেন্দেমিক মরক অসিদা পেসেঞ্জর চাদা ৫০দমক পুদুনা মীয়ামদা সর্ভিস ফংহন্দুনা লাক্লি। অসুম্না পেসেঞ্জর সর্ভিস তৌবা অসিদা গাড়ী মপুশিংদা মাঙবগী ফীভম মায়োক্নদুনা লাক্লি। তৌইগুম্বসুং সিটি বসশিং, ত্রেকরশিং অমসুং ঈ-রিক্সোনচিংবগী ভারাশিং হেনগৎহনবগী মতাংদা গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী ৱারেপ অমত্তা লৌবা লৈত্রি।

ত্রিপুরাগী জর্নেলিষ্ট অমা মথন্তা শিজখ্রে

আগরটলা, ওক্টোবর ০৩ (এজেন্সী): দি দি ন্যুজকী থবক তৌবা মশাগী চহী ৪৮-শুরবা বিশ্বাজিৎ ভট্টচারয়া কৌবা জর্নেলিষ্ট অমা থাংজ নুমিত্তা ত্রিপুরাগী দলাই দিষ্ট্রিক্টকী কমলপুরদা লৈবা মহাক্কী য়ূমদা মথন্তা শিজখ্রে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

ভট্টচারয়া থাংজ নুমিৎকী অয়ূক্তা মহাক্কী ময়ূমদা থৌরি য়াল্লগা শিরমখি হায়না পুলিসকী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

সুইসাইদনি হায়বা থৌদোক অদুগী চপ চাবা মরম হৌজিক ফাওবা পুলিসনা লেপ্পা ঙমদ্রি। ভট্টাচারয়ানসু সুইসাইদ নোট থল্লম্বা লৈতে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখি।

লৈখিদ্রবা জর্নেলিষ্ট অসিগী লোয়নবী অমসুং চহী ১১শুরবী মচানুপী অমা লৈহৌরি। ভট্টাচারয়ানা ত্রিপুরাগী মরু ওইবা নুংতিগী ফোঙবা পাউচে অমা ওইরিবা দাইনিক সম্বাটতসু কন্ত্রিব্যুট তৌরম্বী মহাক্কী হকচাং অদু পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেসনগীদমক থাখ্রে হায়রি।

এক্স্যুইজ দত্তগা থবক তৌমিন্নরম্বা ২ ফারে

দিব্রুগর, ওক্টোবর ০৩ (এজেন্সী): অসাম পুলিস সব-ইন্সপেক্টর (এস আই) রিক্রুটমেন্ট ৱাথোক্কা মরী লৈননা অসাম পুলিসকী ক্রিমিনেল ইনভেষ্টিগেসন দিপার্টমেন্টনা থাংজ নুমিত্তা দিব্রুগর দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই ২ ফাখ্রে। মখোয়দুদি জিবোন ফুকান নগরদগী প্রিওনাথ গোগোই এলিয়জ জিন্টু গোগোই অমসুং দিব্রুগরগী বোটাথার এরিয়াদগী দিলিপ গোগোই এলিয়স ভাইনি।

সোর্সশিংগী মতুংইন্না মীওই অনী অসি হান্নগী দি আই জি বি কে দত্তগা য়াম্না নকশিন্নে। মখোয় অনীমক সী আই দিগী টিমনা ৱাহং পাউহং চথনবগীদমক গুৱাহাটিদা পুখ্রে।

ষ্টেটকী পাউ

নবেম্বর ২৬ তা লৈবাক শীনবা থুংনা জেনরেল ষ্ট্রাইক তৌনবা ৱারেপ্পখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৩ (ঐচ এন এস): ওক্টোবর ২ দা ফমখিবা সেন্ট্রেল ট্রেদ য়ুনিয়ন অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট ফেদরেসনশিংগী অপুনবা মীফম অমদা নরেন্দ্র মোদি লৈঙাক অসিনা শিন্মী শীংনবা অনৌবা লেবর লোদা নত্তনা লৈবাক্কী ফুন্দ সিক্যুরিটিদা চাওনা অপনবা থোকহনগদবা অনৌবা ফার্ম লো অহুম পাস তৌখিববু য়ানিংদবা উত্তুনা লাক্লিবা নবেম্বর ২৬ তা লৈবাক শীনবা জেনরেল ষ্ট্রাইক তৌনবা ৱারেপ্পখ্রে হায়না কোওর্দিনেটিং বোদি ওফ ট্রেদ য়ুনিয়ন্স, মণিপুরগী চেয়রমেন এল সোতিনকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, চহী লিশাং শীৎনা থেংনবদগী ৱানা ফংলকখিবা শিন্মীশিংগী মমল নাইদ্রবা রাইটশিং মৎনবা নরেন্দ্র মোদি অমদি বি জে পিগা নক্নবা মশিং য়াম্লবা কোর্পোরেট মপুশিং য়াওনা অহেনবা শেন্দোংখক্তদা মীহৌবা ইন্দষ্ট্রিয়লিষ্ট খুৎপুশিংগী শেন্থোক ৱাংহন্নবা ইন্দষ্ট্রিয়ল রিলেসন কোদ বিল ২০২০ অদু পার্লিয়ামেন্টকী নোংজু মীফমদা পাস তৌখিবনি। লৈবাক্কী শেন্মিৎলোন চাওখৎহনবদা নত্তনা মালেমগী ওইনা শেলগী কৈথেল নীংখায়রকপদা য়োৎকী য়ুম্বী ওইনা লৈবাক্কী শেন্মিৎলোন ফিভম শোকহন্দনা থমখিবা পব্লিক সেক্টর অন্দর টেক্কিংশিং প্রাইভেটাইজেসন তৌনবা হোৎনরক্লি।

প্রাইভেটাইজেসনদা খুৎচাও থারুবদগী লৈবাক্কী সিক্যুরিটিগা মরী লৈনবা ওর্দিনান্স সেক্টর অমসুং স্পেস এন্দ রিসার্স সেন্টর (ইসরো) সু ফোরেন দাইরেক্ট ইনভেষ্টমেন্ট চাদা ১০০ গী অয়াবা পীথোক্লি। খোঙথাং অসিনা থা ৭ হেল্লক্নবা কোভিদ-১৯গী অকনবা শাফুদগী চৈথেং নংলিবা শিন্মী ক্রোর ৩ হেনবগী মথক্তা অরিবা শিন্মী লিশিং চা কয়া থবক্তগী লৌথোকখিবদা কন্সর্ট্যুসন্না পীবা রাইটশিং মমিংতগী ওইখ্রগনি। লৈঙাক অসিনা এন্টি লেবর ওইবা ইন্দষ্ট্রিয়ল রেগুলেসন বিল ২০২০ পাস তৌনবা সেন্ট্রেল ট্রেদ য়ুনিয়ন ওর্গনাইজেসশিংগী মকোক থোংবা লুচিংবশিংগা মাঙজৌননা ৱা তান্নরগা পার্লিয়ামেন্টতা পাস তৌখিবনি হায়না শিন্মী ওর্গনাইজেসনশিংদা ফোঙদোক্লবসু মরু ওইনা খন্নখিবদুদি ভারতিয়া মজাদুর সঙ্ঘ খক্তগনি।

কুমজা ২০১৪ দগী সেন্ট্রেল ট্রেদ য়ুনিয়ন ওর্গনাইজেসনশিংগা খুৎশম্নদুনা শিন্মী শিংনবা লৈঙাক্কী অনৌবা থৌশিল কয়াগী মায়োক্তা পুন্না থেংনমিন্নরমখিবা বি এম এসনা সেন্ট্রেল ট্রেদ য়ুনিয়নশিংবু লান্না উহন্নবা হোৎনরম্বদগী কুমজা ২০১৬ তগী নাইতোম তাহনখ্রবনি। মরম অসিদগী শিন্মীশিংগী পুন্সি মহিং উবা ঙমদ্রবা শেলয়াম খোম্না শাশিন্নবা শিন্মী ওর্গনাইজেসন অসিনা শন্দোকপা ৱারোলশিং শিন্মীশিংনা থাজবীগনু। করম্বা শিন্মী লূপ্পা লৈবাক অসিগী শিন্মীশিংগীদম নীংহন্নবা লৈতনা থেংনরি হায়বদু মশক থোক্না নৈনবীয়ু। সেন্ট্রেল ট্রেদ য়ুনিয়ন ওর্গনাইজেসনশিংগী মখাদা কৌরিবা নবেম্বর ২৬কী লৈবাক শিনবা থুংবা জেনরেল ষ্ট্রাইক অসি কোভিদ-১৯গী শাফুনা শোকহল্লবা লৈবাক অসিগী শেন্মিৎলোন ৱাংখৎহন্নবনি হায়বসি শিন্মীশিংনা খঙবীয়ু হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

কোভিদ-১৯গী এৱ্যেরনেস পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৩ (ঐচ এন এস): কোভিদ-১৯গী পোজিটিভ কেস নোংম-নিনি অসিদা ঈশিং ঈচাওগুম্না মশিং হেনগৎলকপনা মীপুম খুদিংদা মীপাইবা অমদি তুজুংবা ফাওরিবা মতম অসিদা মীয়ামদা চেকশিন থৌরাং লৌখৎনবা অমদি মীয়াম্বু ৱাখল তামিন্নবগী এৱ্যেরনেস ইন্দিয়া রেদ ক্রোস সোসাইটি, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টনা তোঙান-তোঙানবা মফমদা পাঙথোরকপগী শরুক অমা ওইনা ঙসি রিসোর্স দিভলপমেন্ট সেন্টর, গুরু অরিবম লৈকাই ইম্ফাল ইষ্টকা খুৎশম্নদুনা শিল্লগা লৈকাই অসিদা কোভিদ-১৯গী মতাংদা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা জি এ ব্রাজবিধুনা থৌরমগী মপু ওইনা শরুক য়াখি। ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটিগী চেয়রমেন ডা. ৱাই মোহেন, সেক্রেটরি ডা. আর কে নিমাই, ট্রেজরর ডা. সুনিল সেঞ্জম অমদি ইন্দিয়ন রোদ ক্রোস সোসাইটি, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টগী চেয়রমেন নরেন্দ্র নিঙোম্বনা রিসোর্স পর্সন ওইনা ৱারোল পীখি। ডা. ৱাই মোহেননা কোভিদকী হৌরকপা অমদি মসিগী শন্দোক্লিবা মওং অসিগী মতাংদা সুগাইনা থমখি। ডা. সুনিলনা কোভিদ টেষ্টিং অমদি মসিগী রিজল্ট মীয়াম্না চিংনবগী ৱাফম ঙাওনরিবা মসিগী মতাংদা টেষ্টিংগী মখল অমদি পুথোরক্নদৌরিবা ভেক্সিনগী মতাংদা অকুপ্পা ৱারোল থমখি। ডা. আর কে নিমাইনা হৌজিক লৈরিবা কোভিদকী ফিভমগী মতাংদা অমদি ঐখোয়না থেংনরিবা চৈথেং কয়া অসিগী মতাংদা অকুপ্পা ৱাফমশিং থমখিবগা লোয়ননা তৌগদবা তৌরোইদবা কয়াগী মতাংদা ৱাফম কয়া থমখি।

নরেন্দ্র নিঙোম্বনা লাইচৎ অসি হৌজিক্তি কম্যুনিটি ট্রান্সমিসনগী থাক্তা চঙশিল্লক্লিবা ভাইরস অসিনা লৈকাই খুদিং য়ৌশিল্লকপা অমদি য়ুমথোং খুদিংগী থোঙজিন য়ৌশিল্লকপগুম তৌরক্লিবা মতম অসিদা ঐখোয় অয়াম্বা হান্না চেকশিল্লম্বা অদুদগী খরা কোমথোকরকপা মানবা মওং অমা লাকপা অসিনসু অনাবগী মশিং অসি হেনগৎলক্লিব্রা হায়বগী চিংনবা ফাওরি। মসিদা ঐখোয় মীওই খুদিংমক্না চেকশিনগদবা অমদি কম্যুনিটিগী থাক্তা লৈকাই, ক্লব, মৈরা পায়বীশিং অমদি অহল-লমনশিংনা তৌবা য়াবা কয়াগী মতাংদা মরিক চুম্বা ৱাফমশিং থমখি। থৌরম লোইশিল্লকপদা মাস্ক করম্না উপকদগে, খুৎ-শা করম্না হামগদগে হায়বনচিংবা কয়াগী দেমোনষ্ট্রেসন ওইনা একেন খুন্দ্রাপম অমদি অতৈ রেদ ক্রোস ভোলুন্টিয়রশিংনা উত্তুনা মীয়ামদা শুগাইনা তাকখি। অমদি শরুক য়াখিবশিংগা লোয়ননা ৱাহং পাউহং দুনা হেন্না ৱাখল তামিন্নবা ফাঙদোক্লখি।

কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈরিবা ইমুংশিংদা মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৩ (ঐচএন এস): থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ৱাংখেম এসেম্ব্লি কন্সর্ট্যুয়েন্সিগী মনুং চনবা চরাংপাৎতা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইদুনা কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোকখিবগী চৈথেং ফংলিবা ইমুংশিংদা লোক জনশক্তি পার্টি (এল জে পি) মণিপুর ষ্টেটকী দলিট প্রসিদেন্টসু ওইরিবা সোসল ৱর্কর কে জদুমনিনা চানবা অমদি মাঙ্গনচিংবা পোৎলমশিং মতেং পাংখ্রে।

সোসল ৱর্কর কে জদুমনিনা লেপ্তুনা মতেং পাংলকপগী শরুক অমা ওইনা ঙসি এ সী অসিগী চরাংপাৎ মনিং লৈকাইগী ইমুং ১২ রোমদা পীনবা তেংবাং পোৎলমশিং চরাংপাৎ মনিং লৈকাইদা লৈবা দিফেন্স য়ুনিয়ন ক্লব (এফয়ুসী)তা খুৎশিন্নবগা লোয়না ভোলুন্টিয়র অমদি খুঞ্জাশিংগা লোয়ননা পোৎলমশিং অদু য়েন্থোকখিবনি হায়রি। দিফেন্স য়ুনিয়ন ক্লবনা কোল্লিবা চরাংপাৎ মনিং লৈঙাক্কী ইমুং ১২গী মীওই ২৬ রোম কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপদগী কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোকখিদুনা মফম অসিগী মীওইশিং মপান থোকপা য়াখিদবা অমদি দুকানশিং থোঙ হাংবা য়াদবনা মরম ওইদুনা ইমুং অমদা চেঙ কে জি ১২/১২ অমদি থাউ-থুমনচিংবা নোংমগী চঙবা পোৎলমশিং মতেং পাংবীরকপগীদমক সোসল ৱর্কর কে জদুমনিবুসু দি য়ু সী ক্লবনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

ককচিং ৱাইরি মনিং চীং শেমগৎনবা ৱারেপ্পখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৩ (ঐচ এন এস): আইদেল য়ূঠ এসোসিএসন (আই ৱাই এ) ককচিং ৱাইরিনা মরু ওইবা থৌদাং লৌদুনা ককচিং ৱাইরিগী মনিং চীং শেমগৎতুনা মালেমগী কায়থরক্লিবা অঙৌং-অশাগী খল কায়হন্দনা থম্নবা উ-ৱা থাজিনবা অমসুং ইবুথৌ থাংজিংগী লাইশঙ শেমগৎনবা মীফম অমা পাঙথোক্নুনা কন্ন-নৈনখ্রে।

ককচিং ৱাইরি কোঙোই কম্যুনিটি হোলদা ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ৱার্দ নম্বর ১ গী কাউন্সিলর এম মেমচা, আই ৱাই এগী প্রসিদেন্ট এন গোপাল য়াওনা শকনাইরবা মীওই কয়ানা থৌরম মপুশিং ওইদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা ককচিং এরিয়াদা লৈবা মহৈরোয়শিংগী লূপশিং, সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিং, এন জি ওগী মীহুৎশিং, উত্রা শঙলেন, সনা কোনুং, উকল, সলাইচা, এ এ ঐচ এ এল, লাইনিংথৌ সনামহি টেম্পল বোর্দনচিংবগী লুচিংবা কয়ানা শরুক য়াখিবা মীফম অদুনা ককচিং ৱাইরিগী মনিং চীং শেমগত্তুনা উ-ৱা থাজিনবা, ইবুথৌ থাংজিংগী লাইশঙ ফিভম শোক্না লৈরিবা অসি শেমজিন-শাজিনবগী থবক চঙশিনবা, করিগুম্বা হায়রিবা থবকশিং অসি চথরকপদা অয়েৎপা-অপনবা পীরকপা খুদিংমক্তা অমত্তা ওইনা লেপমিনদুনা পুন্না থেংনমিন্নবা হায়বা ৱাফমশিংসু ৱারেপ্পখি হায়রি।

'বীনিতা মীশিদা ফারবা মীওইশিং বেল পীবিগনু'

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৩ (ঐচ এন এস): হৌখিবা সেপ্তেম্বর ৭ তা বিষ্ণুপুর থিয়া লৈকায় ৱার্দ নম্বর ৮ দা থোকখিবা লাইবক থীবা থৌদোক অমদা য়াম্না চিংনিঙাই ওইবা মীশিদা মপুরোইবগী য়ুমগী মাঙ্গোলদা থৌরী য়ান্দুনা লৈখিদ্রবী খুন্দ্রাকপম নিঙোল লাইশ্রম ওংবী বীনিতা লৈমা (২৫) গী মীশিদ চিংনৈ হায়দুনা ফাজিনখিবা লাইশ্রম বীশ্বোরজিৎ মৈতৈ (২৬) মপুরোইবা, লাইশ্রম মীমোলা (৫৬) মনেমবোক অমদি লাইশ্রম বিনোভি মচলনুপী হায়রিবা মীওই অহুমসিবু মরালগী মতুং ইন্না চৈরাক ফংহনগনি হায়দুনা লৈঙাক্না থাজবা পীবিরক্নগা জুদিসল কষ্টদিদা লৈরিঙৈদা বেল ওবজেক্সন থাদুনা বেলদা লৌথোক্নবা তৌরিবসি য়াম্না লাইবক থীবনি।

করিগুম্বা মীয়াৎ তাদনা বেলদা লৌথোকপা তারবদি মদুদা থোরকপা অফ-ফত্তা খুদিংমক নম্বোল পুলিস ষ্টেসন অমদি লৈঙাক্না পুগদনি হায়না জে এ সীনা মিদিয়াগী থোংদা ৱাকখক্লি। ফারবা মীওইশিং অথুবা মতমদা চৈরাক ফংহন্দ্রবদি জে এ সীগী মায়কৈদগী অকনবা খোঙজং চঙশিন্নবা থৌরাং তৌরি। মরম অদুনা মখোয় বেল মুভ তৌবা অয়াবা পীবিগনু হায়না জে এ সীগী কনভেনর কে ঐচ রাজেনগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ফ্লাইট মঙাদা মীওই ৫৫৬ পুরকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৩ (ঐচ এন এস): মণিপুরগী ৱাংমদা তোঙান-তোঙানবা মফমদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই কয়া ঙসি তোঙান-তোঙানবা ফ্লাইট মঙাদা পুরক্নগা ইম্ফালগী বীর টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা য়ৌরকখ্রে।

অহানবা ফ্লাইট অদু অয়ুক্কী পুং ১০.৩৫ রোম তাবদা এয়র এসিয়া আই ৫-৭৮৩ ফ্লাইট অসিনা দিল্লি অমদি গুৱাহাটিদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ১১৯ ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখ্রে। অনীশুবা ফ্লাইট (ইন্দিগো ৬ই-৪৫৭) অসিনা ঙসি অয়ুক পুং ১০.৪০ রোম তাবদ গুৱাহাটিদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ১২২ রোম ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা পুরকখ্রে।

অহুমশুবা ফ্লাইট (ইন্দিগো ৬ই-৮৮৯) অসিনা অগরতালাদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ৫৪ রোম ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং ১২.৩৯ রোম তাবদা ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা পুরকখ্রে। মরিশুবা ফ্লাইট ইন্দিগো ৬ই-৬২২৩ অসিনা ঙসি নুংমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.৫৫ রোম তাবদা কোলকাতাদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ১১৪ রোম ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা পুরকখ্রে। মঙাশুবা ফ্লাইট (ইন্দিগো ৬ই ২০১৯) অসিনা ঙসি নুংথিল পুং ১.৩০ রোম তাবদা দিল্লিদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ১৪৮ রোম ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা পুরকখ্রে হায়রি।

ꯍꯤꯡꯂꯥꯎꯕꯥ / লায়েংজরি

UMA AYURVEDIC CLINIC (DR.(VAID) R N GUPTA)

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

(অঙৌবা পকপা)
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্না ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্না লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।
(তাং-তাং চিকপা)
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।
(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফন্বী চাং হন্থরককনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।
(নুংশং)
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।
(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীয়ু।
নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু
(নুপাগী প্রোব্লেম)
ফন্বী পাবা, নুপাগী ফন্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।
(নুপীগী প্রোব্লেম)
নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।
(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।
(শমগী প্রোব্লেম)
শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

HOW TO GIVE UP WINE
If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegetables or tea without telling him.

HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL
If you want to control diabetes, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

DR.(VAID) R N GUPTA (396),
Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream
Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking.

HL-B/6430/04/10-02/11

ꯗꯨꯇꯇꯥ ꯀ꯭ꯂꯤꯅꯤꯛ
DUTTA AYURVEDIC CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal

(অঙৌবা পকপা)
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্না ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্না লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।
(তাং-তাং চিকপা)
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।
(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফন্বী চাং হন্থরককনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।
(নুংশং)
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।
(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীয়ু।
নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু
(নুপাগী প্রোব্লেম)
ফন্বী পাবা, নুপাগী ফন্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।
(নুপীগী প্রোব্লেম)
নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।
(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।
(শমগী প্রোব্লেম)
শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

HOW TO GIVE UP WINE
If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it .with meal, vegetables or tea without telling him

HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL
If you want to control diabetes, then please use our sugar nil. Your sugar -/level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210

ꯗꯨꯇꯇꯥ ꯀ꯭ꯂꯤꯅꯤꯛ
DUTTA AYURVEDIC CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal

HL-B/6359/06/09-06/10

CROSSWORD-3579



ACROSS

- 1 Take away (6)
- 4 Dies down (6)
- 8 Collieries (5)
- 9 Euston, for example (7)
- 10 Liberate (3,4)
- 11 Bread maker (5)
- 12 Remember (9)
- 17 Large sea (5)
- 19 Eradicate (4,3)
- 21 Frugal (7)
- 22 Unsociable person (5)
- 23 Urge strongly and sincerely (6)
- 24 Only just (6)

DOWN

- 1 Negligent (6)
- 2 Frightening creature (7)
- 3 Eye shield (5)
- 5 Blackberry bush (7)
- 6 Ponder (5)
- 7 Miscellaneous (6)
- 9 Make off without being seen (5,4)
- 13 Fir or larch, for example (7)
- 14 Recount (anag) (7)
- 15 Detest (6)
- 16 Tempestuous (6)
- 18 Terra firma (5)
- 20 City in Majorca (5)

Solution 3578



SOLUTION ON NEXT ISSUE

HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-3378

	4		7			8		
9			8					2
	8	2		5		7		
	5		2	4				
	3						6	
				3	1		2	
		8		9		2	1	
6					5			8
		9			7		5	

Solution-3377

3	6	5	4	7	9	1	8	2
1	7	4	2	5	8	9	6	3
9	8	2	1	3	6	4	5	7
2	1	8	7	4	5	6	3	9
5	3	6	8	9	1	7	2	4
4	9	7	6	2	3	8	1	5
7	5	1	9	8	2	3	4	6
6	2	9	3	1	4	5	7	8
8	4	3	5	6	7	2	9	1

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers